

অহানবা থোরুল ট্রোফি ৫-এসাইদ ফুটসাল টুর্নামেন্ট ২০২৪

রুল এফ সী, ব্রদরহুদ এফ সী অমসুং পুপু পাপা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচ এন এস):

থোরুল ফাউন্দেসন চান্দেলনা শীন্দুনা চান্দেলগী থোরুল টর্ফ লিৱা সরৈদা ক্লব ২৬না পুল এ অমসুং বি খায়দোক্তুনা চথরিবা অহানবা থোরুল ট্রোফি ৫-এসাইদ ফুটসাল টুর্নামেন্ট ২০২৪গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা রুল এফ সীনা ইথিমুমা এফ সী ব্রদরহুদ এফ সীনা মোন্সাং পান্থা ৱাই সী সী অদুগা পুপু পাপানা পারাদ্লোন এফ সী মায়থীবা পীখ্রে।

রুল এফ সী অমসুং ইথিমুমা এফ সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা রুল এফ সীনা পাঞ্জল ৮-৩দা ইথিমুমা এফ সীবু লাকচনা থোইবা ঙমখিবনি। রুল এফ সীগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৩, ১০, ৪০ শুবা মিনটতা কে সিংখমনা অহুম, ১৫, ২৮শুবা মিনটতা তোম্বাংনা অনী অদুগা ১৬, ২৬, ২৬ শুবা মিনটতা সী ঐচ মোথ্রানা অহুম চনখিবনি। অদুগা ইথিমুমা এফ সীগী পাঞ্জলশিং অদুনা মেটচ অদুগী ৫, ৩৩, ৩৯শুবা মিনটতা মথংশিংনা বেনি, টি এস মার্সন অমসুং জয়সননা অমমম্ চনখিবনি।

ব্রদরহুদ এফ সী অমসুং মোন্সাং পান্থা ৱাই সী সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ব্রদরহুদ এফ সীনা পাঞ্জল ৮-৬তা মোন্সাং পান্থা ৱাই সী সী মায়থীবা পীরমখিবনি। ব্রদরহুদ এফ সীগী পাঞ্জলশিং অদু ২,৩, ৩৭শুবা মিনটতা সর্ভিস, অবুল অমসুং জাফেদনা অমমম্ চনখি। ৬, ৭শুবা মিনটতা বুকবুকনা অনী অদুগা ৭, ২৯, ৩৯শুবা মিনটতা দামরেং চেংনা অহুম চনখিবনি। মোন্সাং পান্থা ৱাই সী সীগী পাঞ্জলশিং অদুনা ১৮,১৯, ৩৫ শুবা মিনটতা এন জি থোমাসনা অহুম, ২০, ২৪, ৩২ শুবা মিনটতা দব্লিয়ু হেনরি, টি এস ফেদরর অমসুং এন জি বোর্লিননা অমমম্ চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২৬শুবা মেটচ ওইনা পুপু পাপা অমসুং পারাদ্লোন এফ সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা পুপু পাপানা য়াম্না লাকচনা পারাদ্লোন এফ সীবু পাঞ্জল ১১-৫দা মায়থীবা পীখিবনি। পুপু পাপাগী পাঞ্জলশিং অদু ২, ২৬শুবা মিনটতা অংথোটনা অনী, ১০, ১৮শুবা মিনটতা মোখমনা অনী, ১০, ৩০, ৩৭শুবা মিনটতা অনন্দনা অহুম, ১৬শুবা মিনটতা কোবদি অমসুং তোংশিন অর্সননা অমমম্ অদুগা ২০, ৩৬শুবা মিনটতা হুটেন অগস্টিননা অনী চনখিবনি। অদুগা পারাদ্লোন এফ সীগী পাঞ্জলশিং অদুনা ১৮, ২৭, ৩৯শুবা মিনটতা দার্থোটনা অহুম অদুগা ৩৪ অমসুং ৩৫শুবা মিনটতা কোৱরঙমনা অনী চনখিবনি।

শান্নরোয়শিং ইম্ফাল এয়রপোর্ট থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচ এন এস):

থা অসিগী ৮দগী হৌরগা ১৪ ফাওবা মধ্য প্রদেশকী ইন্দোরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭৪শুবা জুনিয়র নেসনল বাস্কেটবোল চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুনবগীদমক মণিপুরগী বাস্কেটবোল টিম ঙসি ইম্ফাল এয়রপোর্ট থাদোকখ্রে।

শান্নরোয়শিংনা এয়রপোর্ট থাদোক্ত্রিঙৈগী মাংওইননা মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট টি ব্রজবিধু অমসুং সেক্রেটরি সী ঐচ তেজকুমারনা তোঙান-তোঙানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরগী টিমনা মায় পাক্লবগীদমক য়াইফ থৌজাল পীখি অমদি শান্নরোয়শিংনা পূক্নিং চঙনা অমসুং থকশি-খাশি লৈনা চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়ানবা খঙহনখিবগা লোয়ননা মিংচৎ পুরক্লুবসু খঙহনখি।

ট্রাইথলোন চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচ এন এস):

মথং থাগী ১৪দগী হৌরগা ১৬ ফাওবা তেলঙ্গনাদা পাঙথোক্কদৌরিবা সব-জুনিয়র, জুনিয়র অমসুং সিনিয়র আই টি এফ ট্রাইথলোন নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০২৪দা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নগদবা এথলিটশিং খনখ্রে হায়না ট্রাইথলোন এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না চেম্পিয়নশিপ অসিদা নুপা শান্নরোয় ২৮, নুপী শান্নরোয় ১ অমদি ওফিসল ৪ পূন্না মীওই ৩৩না শরুক য়ারি।

টিম অসিদা ওফিসল ওইনা য়াওরিবশিংদি সিনিয়র টিমগী মেনেজরদা এম সুন্দর, সিনিয়র টিমগী কোচতা এল লেনিন, জুনিয়র অমসুং সব-জুনিয়র টিমগী মেনেজর ওইনা কে ঐচ তোমতোম অদুগা জুনিয়র অমসুং সব-জুনিয়র টিমগী কোচ ওইনা এস মণিনি। অদুগা টিম অসিদা য়াওরিবা অমত্তা ঙাইরবা নুপী শান্নরোয় অদুনা সব-জুনিয়রগী এন নেলসিনি হায়রি।

SANGAI TUITION CENTRE
Kakwa Bazar, (LSWC Building) Imphal East - 795008
NEW FOUNDATION COURSE
SURJAKANTA IRENGBAM S/O I. METRIX (IBUNGO) C.T.H/Secondary HSLC-2018 2nd Position
AREISTO OINAM HERITAGE CONVENT HSLC-2020 11th Position
SURJAKANTA IRENGBAM S/O I. METRIX (IBUNGO) C.T.H/Secondary COHSEM-2020 6th Position
Class XI & XII (COHSEM & CBSE) Class starting from 13th May, 2024
Class IX & X (CBSE) Class starting from 20th May, 2024
2nd BATCH FOUNDATION COURSE
Class :- X (BOSEM) Starting from - 13th May, 2024
Seperate Hostel for Boys & Girls
For Details Please Contact : Sangai Tuition Centre #8787690436 # 9856155400
HL-B/8710/5-11/5

ꯃꯥꯡꯈꯤ / PENSION BOOK LOST

I have lost my Pension Book bearing PPO No. SM/28203 issued by Treasury I/W on the way between Treasury and my residence Langjing Achouba, Sagolband on 28th April, 2024. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Amom Shamungou Singh**
Langjing Achouba, Sagolband
9383216365

HL-P/10051/5

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW:LAMSANG

Ref. :- Mutation Case No. 166/SDC/IW-L/2024

Irom Medha Devi W/o (L) Irom Tombi Singh of Uripok Naoremthong Takhellambam Leikai. -Petitioner

-Vs-

Late Irom Tombi Singh S/o Thambalngou Singh of Uripok Takhellambam Leikai -OP/Party

NOTICE

3/5/2024

U/S 46(3) of MLR & LR Act, 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার ইরোম তোম্বী সিংহ পীতা মৃ: থম্বালঙৌ সিংহ সাং উরিপোক তখেল্লম্বম লৈকাইগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৬৪-হাওরং শাবলগী অনৌবা পাট্টা নং ১৯ দাগ নং ১১৩৯/১১৫৯ এরিয়া ০.৮৯ চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

Sd/- BC to Sub-Deputy Collector,
IW:Lamsang

HL-P/10643/5

ꯃꯤꯡ ꯍꯣꯡꯗꯣꯛ / NAME CHANGE

I, Waikhom Brojeshori Devi, legally wedded spouse of No. 10246363K, Rank: Naik (NK), Soibam Boynao Singh, presently residing at Thoubal Melaground, P.O. & District - Thoubal, Manipur, PIN-795138, have changed my name from Soibam Brojeshori Devi to Waikhom Brojeshori Devi vide Affidavit/Self declaration dated 26/04/2024 before the Oath Commissioner Manipur at Thoubal. My date of birth is 02/03/1994.

HL-P/10646/5

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ অমাংথোঙ ময়াদা য়াইরোংমুক চাওনা পোমথোক্লগা লৈবা য়াম্না চিকপা-নাবা, মচীনসু নাইদবা, ফম্বা অমদি হিপ্পা ঙমদবা, খোঙ মপূং ফানা হাম্বা য়াদবা মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাওথোরকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা অহানবা নারকপদা অমাংথোঙ মপান্দা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচরকপা, খোঙ হাম্বসু চাং নাইরক্তবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমুকসু ফখিবা খঙহৌদনা অমাংথোঙ মপান্দা য়াইরোংমুক চাওনা পোমথোরকপা, পোমথোরকপা অদু মচীন নাইদবা য়াম্না চিকপা-নাবা, খাঙফম খঙদবা, পেন কিল্লর চারবসু ঙাইহাক ফরন্নগা অমুক চিক্লকপা, ফম্বা অমদি লোংনা হিপ্পা য়াদবা, দোক্তরদা চৎলগা য়েংহল্লুবা মতমদা ওপরেসন তৌসি তৌদবা য়ারোই হায়রকপা, খোঙ মপূং ফানা হাম্বা য়াদবা, ঈশিং বেরা তৌবা, হকচাংদা য়াম্না ৱাবা, খোঙ হাম্বদা খজিক-খজিক মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাওথোরকপা, ওইগী পূকচেপ নারকপা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, ঙকশম মরী নাবা, ফম্বী থুনা-থুনা চৎপা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা, খোঙয়া শাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :
1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/8694/5
থাগৎচরিবী : **Y. Subadani Devi,** Porompat

CONCEPT TUTORIAL
THANGMEIBAND MEISNAM LEIKAI OPP THAU GROUND
UNLOCK YOUR POTENTIAL
1 YEAR ACHIEVER NEET COURSE
LEARN FROM BASICS.
PROVIDING THE BEST NOTES IN IMPHAL CITY WITH KOTA LEVEL TEACHING
CLASS STARTING FROM 13TH MAY
SEPARATE HOSTEL AVAILABLE FOR BOTH BOYS & GIRLS
8794728538 / 8794303740
Are you ready to earn your white coat?
come lets create your dream together
HL-B/9012/3/5-1/6

১৬শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২৩-২৪

ফুটবোল ক্লব লমজাওনা ট্রাও অদুগা এন ঈ এস য়ুনা ৱাই পি ঐচ য়ু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংগী গ্রাউন্দ অমদি আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ লল্লোং থোংখোঙদা চথরিবা ১৬লক শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা ফুটবোল ক্লব লমজাও (এফ সী এল)না টিদ্দিম রোদ এথলেটিক য়ুনিয়ন (ট্রাও) অদুগা নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (এন ঈ এস য়ু)না য়ং ফিজিক য়ুনিয়ন (ৱাই পি ঐচ য়ু) মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১৫ তাবদগী হৌরগা দি এস এ গ্রাউন্দ ককচীংদা এফ সী এল অমসুং ট্রাওগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা এফ সী এলগী শান্নরোয়শিংনা খরা হেন্না লাকচনা শান্নবা ঙমখিবদগী মেটচ অদুগী ১২শুবা মিনটতা প্রিয়োবর্তা মীতৈনা পাঞ্জল ১ চন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী ৮৪শুবা মিনটতা এফ সী এলগী টি ঐচ নিলকান্তনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। মেটচ লোইবা ফাওবদা ট্রাওগী ওইনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদবদগী মেটচ অদু এফ সী এলনা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকখিবনি।

নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী হৌরগা এন ঈ এস য়ু অমসুং ৱাই পি ঐচ য়ুগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা এন ঈ এস য়ুনা ৱাই পি ঐচ য়ুবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীরমখিবনি। এন ঈ এস য়ুগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু ৪৫শুবা মিনটতা শান্তানা চনখিবনি।

[illegible]

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯃꯦ ꯰꯴ (ꯑꯦꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ):

[illegible]

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু)

‘মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম’

মীৎকুপ-নাহুম শিংনা লৈসি

(৫২০)

মালেমগী সুপর পাৱর ওইরিবা লৈবাকশিংগী মনুং চল্লিবা লোয়ননা মালেমদা খ্বাইদগী চাওবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমসু ওইরিবা ইন্দিয়াগুম্বা লৈবাক অমগী অপীকপা ষ্টেট অমদা নেটিভ পীপল ওইনা লৈজবা ইন্দিয়াদগীসু মনিং তম্বা অহানবা হায়বদি মর্জ তৌদ্রিঙৈদা সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা অহানবা ওইনা মনিং মখা তমজখিবা লৈবাক অমবু শৈদাংদুনা লৈবা কম্যুনিটি ফূরুপ অমগী প্রি প্লান ওইনা চত্থরকপা মীওইবগী ৱাখল্লোন চেন্দবা তমথীরবা মীহাৎ-মীপূন চত্থরকপা চহী ১ মপূং ফারে। ইমা লৈবাক্কীদমক মমল য়াম্লবা থৱায় কয়া অমসু মাঙখ্রে। ইন্দিয়াগী করম্বা অরোনবা এজেন্দা লৈবনো? মালেমগী লৈবাকশিংগী মমাংদা ইকাইবা ফাওদব্রা? দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক লৈরিব্রা? মতম-মতমগী দ্রামা কয়াম কুইনা তৌখিনি। নোংমদা লোইশিনবা য়াবা ৱাথোক্লি খঙনা-খঙনা লোইশিন্দবসি ইরমদম সনা লৈবাক্কী মীয়াম্না খাঙবা ঙম্বগী পাঙ্গল লাম্থোকখ্রবনি। তোঙানবা ফিরেপ লৌরক্লোই হায়নিংঙাইসু লৈতে। করম্বা অরোনবা লাল্লোং অমুক তৌরক্কনি। ঐখোয় মীৎকুপ-নাহুম শিংবা তাবনি।

অদোমগী - রোবিনসন থাংজম
সত্রাম মখা লৈকাই, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট,
# ৮৭৮৭৩৪৯২৮৫

ꯃꯥꯡꯈꯤ / ECHS CARDS LOST

I have lost my ECHS card bearing Card no. GU000007972253 and my wife Sandham Thadoi Devi's ECHS card bearing Card no. GU000007972389 on the way between Taothong Lamkhai and Koirengei ECHS Poly Clinic Road on 3rd May, 2024. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

HL-P/10648/5
Sd/- **Sandham Suresh Singh**

IN THE COURT OF THE DISTRICT JUDGE: IMPHAL WEST CHEIRAP COURT COMPLEX : MANIPUR

ORIGINAL (GUARDIANSHIP) SUIT NO. 7 OF 2024

Ningthoukhongjam Hemanta Meetei ...Plaintiff

- Versus -

1. Ningthoukhongjam (N) Thoudam (O) Sanahal Devi & ors. ...Defendants

NOTICE UNDER SECTION 14 OF THE RIGHTS OF PERSONS WITH DISABILITIES ACT, 2016

To,
ALL THE INTERESTED PERSONS

WHEREAS the above named plaintiff has instituted the above referred suit praying for declaring him as the limited guardian of the person with disability namely Ningthoukhongjam Tenden Devi under Section 14 of the Rights of Persons With Disabilities Act, 2016.

Notice is hereby given to all persons having interested in the said claim to appear before this Court on **18th day of May, 2024** at 10:30 a.m. and to file written statement/objection, if any, showing the reasons or ground as to why the Certificate should not be granted as prayed for.

Sealed and signed by the order of the Court on this 3rd day of May, 2024.

Seal

By : Advocate

Sd/- **Sr. Sheristadar**
District & Sessions Judge
Imphal West

HL-P/10631/4&5

নুংঙাইবা ফোঙপীপনে

সুধাকর

ঐগী নুপাগী Kidney দকো নুঙ লৈপীপনে অদুদা সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই. টি. আই মনাক ইম্ফালদা লৈপীপা ওজা লাইশ্রম নবকিশোর পদ্মশ্রী এৱার্দী (মেদিসিন)গী মচানুপা লাইশ্রম সুধাকর হার্বেল ফিজিসিয়ন স্পেসিএলাইজদ ইন য়ুরিনরি ষ্টোননা লায়েংপীবনে অদুদগী তাং ২৩-০১-২৪দগী লায়েংপনা তাং ২১-০৪-২৪ দা নুঙদু তাহনপীখ্রে। মদুদা ঐনা য়াম হরাওপীপনে পাউচেদসু ফোঙপীপনে। সুধাকরবু ঈশ্বরনা চানপীপা ওইহন্নীংপনে।

Sd/- Mathiuliu Kamei
Noney, Luangchum

HL-P/10647/5

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/খোঙ হাম্বা খূদিংগী লৈ শাৎপগুম্না অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা পোমথোরকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগা মশানা অমুক হনগৎখিবা, অমাংথোঙ মনুংদসু খূৎনা থিঞ্জিল্লগা য়েংবা মতমদা উরিংমুক চাওবা অমসু পোল্লগা লৈবা অদু ফহনবগীদমক ওজা Azad পু হন্না-হন্না থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা খূদিংগী লৈ শাৎপগুম্না অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা পোমথোরকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগা মশানা অমুক হনগৎখিবা, অমাংথোঙ মনুংদসু খূৎনা থিঞ্জিল্লগা য়েংবা মতমদা উরিংমুক চাওবা অমসু পোল্লগা লৈবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী সিরিঞ্জনা কাপ্পগুম্না ঈ কাপথোরকপা, খোঙ হাম্বা চঙগনি খনবদা হকচাংদা অকিবা অমা পোকপা ঈ তারক্কনি খনবদা, হকচাংদা চোকথ-ৱাম্থরগতা লৈবা, শুনিং-চৎনিংবা পোক্তবা, পোত্থারগতা লৈনিংবা, খোঙ হাম্বদা অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, খোঙ হাম্বা মতমদা কোঙ্গোল অমদি মনাং য়াম্না য়াওরকপা, অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরক্মুক চাওবা অনী পোমথোরকপা, পোমথোরকপা অদু চিকপা-নাবা তৌরকপা, খূৎনা থেংবদসু য়াম্না নাবা, অমাংথোঙদা লুম-লুম লাউরগা লৈবা, অমাংথোঙ মনুংদা চক-চক থিল্লকপা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা **MV Azad Phusam Phone No. 7628890261/9089738275** দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

লায়েংফম :
1. Hatta Opp. Oil Pump Near Public Hospital, Imphal.
2. Mayang Imphal, Konchak Bazar. (6 am to 10 am.)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Only Sat. & Wed. Open)
4. Yairipok Bazar Near Traffic Point (Only Sunday Open)

HL-P/10602/5
থাগৎচরিবা : **Kh. Naoba,** Singjamei

Unique Education CBSE
THE FIRST CBSE & ICSE COACHING CENTRE AT IMPHAL.
ADMISSION OPEN
5-months Foundation for CBSE & CoHSEM XI Sc. 4th June
NAVODAYA. SAINIK & Outsiders IX. X. XISc. & XIISc.
Girls Hostel in the same block
02-05-2024
5-months Foundation for CBSE class X
Van service / Boys Hostel
Sega Road Konjeng Hazari Leikai. Opp Sangai Express
HL-B/8699/2674-26/5